## পুক্নিং ফাথননবা আপিল তৌখ্রে

হানোই, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
চাইনা অমসুং ভিয়েটনামগী জ হাজশিংগী মরক্তা থা কয়ামুক মুক্ন দুনা অকনবা টেন্সন অমা লৈরিঙৈ চৈরক্তা য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীদা পুক্নিং ফাথননবা ভিয়েটনামগী প্রসিদেন্ট অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টিগী চীফ ফু ত্রোংনা আপিল তৌখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।
হৌখিবা জুলাইদা ভিয়েটনামনা কন্ত্রোল তৌরিবা ঈশিংগী শরুক্তা ইনর্জি সর্ভে অমা পাঙথোক্ন বগীদমক্তা বৈজিংনা রিছার্চ জহাজ অমা থাজিনবদগী লমদম অদুদা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাকখিবনি।

## পোলিটিকেল প্রোব্লেম মখা তানা লৈখিগনি

মাদ্রিদ, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
কটালোনিয়ানা নীংতম্নবা হোৎনরকপদগী স্পেননা মায়োক্ন দুনা লাক্লিবা ইশ্যু অসি সেপরেটিষ্ট লিদর ৯ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবনা লোইশিনবা য়ারোই হায়না স্পেনগী এক্তিং ফোরেন মিনিষ্টর জোসেফ বোরেলনা ফোঙদোকখ্রে।

## ট্রম্পনা অথিংবা কয়া থমখ্রবসু টর্কিগী লাঞ্জং তপথদ্রি, সিরিয়ন আর্মি মরু ওইবা সিটিদা চঙশিনখ্রে



অঙ্কারা, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
সিরিয়াদা লান্দাবা খুদক্তা লেপ্লবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টর্কিদা আপিল তৌবগা লোয়ননা নাটোদা য়াওবা মীচং লৈবাক অসিগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখ্রবসু টর্কিনা করিমত্তা তৌশাবা তৌদনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তসু সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা মখা তানা লাঞ্জং চঙশিনখ্রে।
চৈরকসিদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ু এসকী ট্রুপশিং খঙহৌদনা ৱিথদ্রো তৌখিবদগী হাংহৌরিবা মফমশিং মেনশিন্নবা হোৎনরদুনা রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন আর্মিনা সিরিয়াগী লান্দা মমাংথক্তগী হৌনা কন্না কন্টেষ্ট তৌদুনা লাকখিবা সিটিশিংগী মনুংদগী অমা চঙশিনখ্রে।
প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা টর্কিগী প্রদিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগানদা ফোন তৌদুনা খুদক্তা সীজফয়ার পুরকপগী ৱাফমদা য়ানবা তকশিনখি হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ফোঙদোকখি।
ৱাথোক অদুদা ৱাতেম্নবা অথুবা মতমগী মনুংদা মহাক লমদম অদুদা চৎলগনি হায়বা ৱাফমসু ভাইস প্রসিদেন্টনা থমখি।
য়ু এসনা লৈবাক অসিগী সিরিয়া পোলিসি খঙহোং হোংখিবা মতুং চয়োল অমরোম লৈরগা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা লৈরিবা ৱাশিংটনগী মীচংশিং ওইরম্বা কর্দশিংদা এটেক তৌনবা টর্কিনা লমদম অদুদা ট্রুপ কয়ামরুম থাজিন্দুনা অকনবা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লকখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা ট্রম্পনা টর্কিবু চৈরাক পীবগী খোঙথাং অমা ওইনা লৈবাক অসিগী মথক্তা অথিংবা কয়া লাউথোকখিবনি।
ট্রম্পনা খঙহৌদনা চহী ৫ রোম চৎনরক্লবা য়ু এসকী মিদল ইষ্ট পোলিসি হোংখিবদগী লমদম অদুনা হৌজিক শোক্লরিবা লান্দা ৱাশিংটনগী য়েক্নবশিং ওইরিবা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদ অমসুং মীচংশিংনা তৌনিংবদা তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি।

## রসিয়ন ওপোজিসন লিদরগী ফাওন্দেসনদা টার্গেট তৌদুনা পাক্তক্লনা রেইদ চথখ্রে



মোস্কো, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
রসিয়ন গভর্নমেন্টকী ক্রিটিক অলেক্সি নাভালনি অমসুং মহাক্কী মীচংশিংদা অহেনবা প্রেসর পীনবা হোৎনরদুনা মনিলোন্দরিংগী মতাংদা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবগী মিংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওপোজিসন লিদর অসিনা হৌদোকখিবা এন্টি-করপসন ফাওন্দেসন (এফ বি কে)গী রিজ নেল ব্রাঞ্চ ৩০ দা পাক্তক্লনা রেইদ তৌখ্রে হায়বসি ওফিসল অমনা কনফার্ম তৌখ্রে।
ফাইনান্সিএল ক্রাইমশিং চথরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা পাক্তক্লনা রেইদশিং পাঙথোক্লিবসি হৌখিবা থাদা মান্নবা রেইদশিং পাঙথোকখিবা মতুং অমদি চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মমাংদা নাভালনিগী ওর্গনাইজেসন অদুবু রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোরেন এজেন্ট অমনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদনি।
হৌখিবা কালেনগী মতমদা প্রোটেষ্ট কয়া চথদুনা সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা মোস্কো ম্যুনিসিপাল ইলেক্সনদা ক্রেম্লিনগী মীচং কয়া মায়থিবা নংখিবা মতুংদা রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি ওপোজিসন লিদরশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। রসিয়াগী ইনভেষ্টিগেটিভ কম্মিটিনা নাভালনি গ্রুপপু শেল থুমগা মরী লৈননা অরোন অহুই কয়া তৌই হায়না মরাল শীদুনা লাকখিবনি।

## এক্সটিঙ্কসন রেবেলিয়নগী প্রোটেষ্টরশিং লন্দনদা অথিংবা থমখ্রে



লন্দন, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
বেসিক সিভিল লিবর্টিজদা চথুবা নুংনাংনিংঙাই ওইবা এটেক অমনি হায়রদুনা পোলিটিসিয়নশিং অমসুং লিগেল এক্সপার্টশিংনা কন্দেম তৌখিবা খোঙথাং অমা ওইনা পুলিসনা এক্সটিঙ্কসন রেবেলিয়নগী প্রোটেষ্টরশিংনা লন্দন সিটিদা মখা তানা খোঙজং চঙশিনবদা অথিংবা থমখ্রে।
কেপিটেলগী ফাইনান্সিএল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা সিটি ৱার্করশিংদা টার্গেট তৌদুনা দেমোনষ্ট্রেসন কয়া পাঙথোকখিবা মতুংদা পুলিসকী টেক্টিক্তা অহোংবা লাকখিবা ৱারেপ অমদা স্কোটলেন্দ য়ার্দনা এক্তিভিষ্টশিংদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা ঈংনা চিক্না চথুরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রোটেষ্টশিং লেপ্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ওর্দর অসি ইন্দ্রবদি ফাবা পুনবগা লোয়ননা প্রোসিক্যুসন চথুগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।
প্রোটেষ্টরশিংনা থংন-থংনানা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিংগী ৮নি চনবা নুমিত্তা রিভাইস তৌরবা সেক্সন ১৪ গী ওর্দর অমা ইশ্যু তৌখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা ওফিসরশিংনা ট্রাফালগর স্কৱারদগী এক্স আরগী কেম্প তকথোকপা হৌখি। উকিল কয়ানা লোগী মায়োক্তা ওই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবা মেট্রোপোলিটান পুলিসকী ওর্দর অদুনা এক্সটিঙ্কসন রেবেলিয়নগী 'ওটম অপরাইজিং'গা মরী লৈননা মী পুনবগী থবকশিং হৌজিক লন্দন সিটিগী মনুংদা চথবদা অথিংবা লৈরগনি হায়খি।
এক্তিভিষ্ট খরদি পুলিসনা স্কৱার অদুদা চঙশিল্লকখিবা মতমদা টেন্টশিং নৎত্রগা পেভমেনশিংদা পুন্দুনা লৈরমখি। অতৈনা পুন্না লোক তৌদুনা লৈমিন্নরম্বদগী মফম অদুদগী থোক্লখি। গ্রিন পার্টিগী এম ঈ পি ঈল্লি চোন্স য়াওনা এক্তিভিষ্ট কয়া পুলিসনা ফাখি। পুলিসকী থৌওং অদুদা চোন্সনা খোঙথাং অসিদা প্রোটেষ্টরশিংনা তুমিন্না লৈথোক্লোই অমদি ঈংনা চিক্না খোঙজং চঙশিল্লিবা প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা অসিগুম্বা খোঙথাং লৌখৎলকপসি মরম চাদে অমসুং লোগী মায়োক্তনি হায়খি। ঐখোয়গী অঙাংশিংগী তুংলমচৎকীদমক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী দিমোক্রেটিক রাইট নমহৎপা অসি অরানবা থৌওংনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## মিলিটরি ওফেন্সিভ লেপ্লবা চাইনানা টর্কিদা তকশিনখ্রে

বৈজিং, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা চথুরিবা লান লেপ্লবা চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা টর্কিদা তকশিনখ্রে। চাইনানা মতম চুপ্পদা ইন্টরনেসনল রিলেসন্সতা ফোর্স শীজিন্নবগী থৌওংগী মায়োক্তুনা লেপ্তুনা লাক্লি। সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনা থমগদবনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন গেং স্বাংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়খি।
গেংনা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা টর্কিদা পোলিটিকেল ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবা অচুম্বা লম্বীদা অমুক হল্লক্লবা আপিল তৌখি। পার্টি খুদিংমক্না য়ু এন চার্টরগী প্রিন্সিপলশিং অমসুং ইন্টরনেসনল রিলেসন্স গভর্ন তৌরিবা বেসিক নোমশিং থম্মোয় শেংনা ঙাকফম থোকই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা গেংনা ইন্টরনেসনল লোগী ফ্রেমৱর্ক মখাদা ইশ্যু পুম্নমক্কী পোলিটিকেল-দিপ্লোমেটিক সেট্টলমেন্ট পুরক্লবা হায়খি।
ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা লাঞ্জংদা ৱাশিংটনগী মরু ওইবা মীচং অমা ওইদুনা লাকখিবা কর্দিস মিলিস্যা পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটস (ৱাই পি জি)বু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খঙহৌদনা থাদোকখিবা মতুং হৌখিবা চয়োলদা টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা মিলিটরি ওপরেসন চথবা হৌখিবনি।



প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগান্না লুচিংবা টর্কিস গভর্নমেন্টনা কর্দিস মিলিস্যা গ্রুপ অদুবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়রিবনি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা লমদম অদুগী কর্দিস লুচিংবশিংনা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদনা লুচিংবা দামাস্কসতা লৈরিবা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকা য়ানবা অমা পুরক্তুনা টর্কিনা লাঞ্জং চঙশিল্লক্লিবা লমদম অদুদা সিরিয়ন আর্মি চঙশিনবা হৌখ্রবনি।
ষ্টেটনা চলাইবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না অহেনবা টর্কিস ট্রুপশিং অমসুং অঙ্কারাগী মীচংশিং টর্কিনা কুমজা ২০১৬ দগী কন্ত্রোল তৌদুনা লাকখিবা য়ুফ্রেটিস তুরেলগী নোংচুপ্তা লৈবা য়ারাবুলুসতা চঙজিনখ্রে। লমদম অদু অসাদনা সিরিয়ন ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবা হৌখ্রবা মনবিতগী কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্না লৈরিবনি।

## অঙাং অহুম শিহনখিবা এয়রষ্ট্রাইক য়ু এননা কন্দেম তৌখ্রে



ট্রিপোলি, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিদা এয়রষ্ট্রাইক চথদুনা য়ুম অমদা শোকহনখিবগা লোয়ননা অঙাং অহুম শিহনখিবগী থৌদোক য়ুনাইটেদ নেসন্স সপোর্ট মিসন ইন লিবিয়া (য়ু এন এস ওম আই এল)না কন্দেম তৌখ্রে।
অমুকসু মরাল লৈজদ্রবা অঙাংশিংনা লানগী ভিক্তিমশিং ওইরে। ঙসি চথখিবা এটেক অমনা খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইরবা ফিভম অমা লাকহনখ্রে। ট্রিপোলি সিটিগী অল-ফের্নাজ কৌবা মফম অমদা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা য়ুম অমগী অকায়-অতোয়শিংনা ফুমদুনা ইমুং অমগী চহী নৌরিবা মরাল লৈজদ্রবা নুপীমচা অহুমগী পুন্সি লোমখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু এন এস এম আই এলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।
লিবিয়ন নেসনল আর্মি (এল এন এ)গী ফোর্সশিংগীনি হায়বা ফাইটর জেট অমনা পাঙথোকখিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুদা ইমুং অদুমক্কী চহী নৌরিবা অতোপ্পা নুপীমচা অমা অমসুং মমাসু অশোক-অপন নংখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।
লিবিয়াগী নোংপোক থংবা লমদমদা বেজ তৌবা এল এন এ অসি য়ু এন্না শৌগৎপা ট্রিপোলিদা লৈবা গভর্নমেন্টকী অচৌবা রাইভেল অমনি। মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংগী পুন্সিবু করিমত্তা মমল লৈতনা লৌবগী থৌওং মিসন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মথোং মরম খঙদনা এটেক কয়া চথুরিবসি খুদক্তা লেপ্লবসু আপিল তৌরি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। অরোইবদা মিসন অসিনা য়ু এনগী মেম্বরশিং অমসুং মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল ইন্সটিট্যুসনশিংদা লিবিয়াদা চথুরিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং লেপহন্নবা মখা তানা হোৎনননবা আপিল তৌখি।

## অরুবা থবক অমা ওইরবসু ব্রেক্সিট দিল হৌজিকসু ওইথোকপা য়াই

ব্রসেলজ, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপদা হেন্না লুশিল্লকপগী মওং অমা লাক্লবসু চয়োল অসিগী মনুংদা ব্রেক্সিট দিল অমা য়ানবা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম হৌজিকসু লৈরি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)গী চীফ নিগোসিএটর মিচেল বর্নিয়রনা ফোঙদোকখ্রে।
লক্সমবর্গতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা বর্নিয়রনা হায়খি, ব্রেক্সিট দিলগী মতাংদা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা হায়বসি হান্নদগী হেন্না লুশিল্লকপগী ফিভম অমা লৈদুনসু চয়োল অসিগী মনুংদা ওইথোকপা য়াবগী মওং হৌজিকসু লৈরি।
এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা য়াবগী ফিভম হৌজিক ফাওবা লৈরি হায়না লৌনবা তারবসু এগ্রীমেন্ট অদুনা খুদিংমকপু হায়বদি য়ু কেদা লৈরিবা সেক্সন পুম্নমক অমসুং ঈ য়ু অপুম্ববু পেলহনগদবনি। লিগেল টেক্সকী মতাংদা থম্মোয় শেংনা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়না ঈ য়ুগী দিপ্লোমেট অসিগী ৱারোল পল্লদুনা বি বি সীনা ফোঙদোকখি।



লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা লক্সম্বর্গতা পাঙথোক্লিবা মীফমদা ব্রেক্সিটকী মতাংদা শান্নখিবা ৱারীশিং বর্নিয়রনা ঈ য়ুগী মিনিষ্টরশিংদা খঙহনগদৌরিবনি।
ব্রেক্সিটকী দিল অমা পুরক্লবগী পান্দমদা ঈ য়ু অমসুং য়ু কেগী ওফিসলশিংগী মরক্তা খন্ন-নৈনবগী থবকশিং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কনশিনখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন অমসুং আইরলেন্দগী মহাক্কী লেংমান্নবা লিও ভরাদকরগী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা ব্রেক্সিটকী দেদলাইন ওইরিবা ওক্তোবর ৩১ গী মমাংদা দিল অমা শোয়দনা পুরকপা য়ারগনি হায়বগী থাজবা হেনগৎখি।
ৱারী শান্নবদুগী মরু ওইবা ফেক্তর অমা ওইরিবা আইরিস বেকষ্টোপকী মতাংদা য়ানদনা লৈরিবা কয়া ৱারোইশিন পুরক্লবা নিগোসিএটরশিংনা কন্না হোৎনবদগী খোঙথাংশিং অসি লাকখিবনি।

## হি লুপহনখিবগী মতাংদা ক্রুজরগী কেপ্টেন চার্জ মায়োক্লরগনি

বুদাপেষ্ট, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) : পুলিস ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা লোইরবা মতুংদা দানুবি তুরেলদা থোকখিবা অয়াম্বনা কোরিয়ন টুরিষ্টশিং ওইদুনা মীওই ২৮ শিখিবা টুরিষ্ট ভেসেল মচা অমা থেংজিন্দুনা লুপহনখিবা ক্রুজ জহাজ অমগী কেপ্টেন হঙ্গেরিগী প্রোসিক্যুটরশিংনা চার্জ তৌরগনি হায়না ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
চহী ৫০ হেনবা মতমগী মনুংদা দানুবি তুরেলদা থোকপা খ্বাইদগী শাথিবা দিজাষ্টর অমদা হৌখিবা মেদা হঙ্গেরিগী কেপিটেল বুদাপেষ্টতা নোং কন্না চুরিঙৈ মনুংদা কেপিটেল অসি ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অদুদা শাবা থোং অমগী মখাদা ক্রুজর অমনা মীওই ৩৫ তোংবা টুরিষ্ট হি অমদা শাফু কন্না তোমজিনবদগী হি অদু সেকেন্দ খরগী মনুংদ ঈশিংদা লুপখিবনি।



পুলিসনা মশাগী চহী ৬৪ শুরবা সী য়ুরি কৌবা ওদেসাদগী মীওই অমনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌখ্রবা য়ুক্রেনগী ক্রুজর অদুগী কেপ্টেনগী উকিলশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অদুনা মরম ওইদুনা মখোয়গী ক্লাইন্টবু অদুক্কী মতিক অৱাবা নংহল্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা এক্সিদেন্ট অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী অরানবা অমত্তা তৌখিদে হায়খিবনি। পনবা য়াবদি, থৌদোক অদুগী মতুংদা ক্রুজরগী কেপ্টেন অসি ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি। বুদাপেষ্ট পুলিসকী দেপ্যুটি চীফ অদ্রিয়ন পালনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ক্রুজর কেপ্টেন অদু এক্সিদেন্ট থোকখিবা মতম অদুদা কন্ত্রোল কেবিনদা তশেংনা লৈখিবগী খুদম চাংদমশিং ফংই হায়খি।

## অথিংবশিং লৌথোকপগা ৱারী শান্নবা ইরান্না শেম শাদুনা লৈ



টেহরান, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি) :
করিগুম্বা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবা পুম্নমক লৌথোকপা তারবদি ইরান্না নোংচুপ্লোমগী পৱারশিংগা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী মখা চথবা হৌনবা শেম শাদুনা লৈ হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রেস টি ভিগী রিপোর্টনা হায়রি।
ঐখোয়গী দিমান্দশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা অথিংবশিং লৌথোকখিবা তারবদি ঐখোয়না পি৫+১ গ্রুপকী ফ্রেমৱর্ক মনুংদা ৱারী শান্নবদা শরুক য়ানবা শেম শাদুনা লৈ হায়না রৌহানিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর ৫ অমসুং জর্মনিগী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।
লৈবাকশিং অসিগা লোয়ননা ইরান্না কুমজা ২০১৫ দা ন্যুক্লিয়র দিল অমা পুরকখিবনি। ঐখোয়না লুনা লৌরিবা ৱাফমদি নিগোসিএসন চথরবা মতুংদা ঐখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং থুংবা ঙমগদৌরিব্রা নৎত্রগা ৱারী শান্নরিবসি শুপ্নগী সোগী ওইনা চথবা তাগদৌরিব্রা হায়বসিনি হায়না সীনহুৱা ন্যুজনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু হৌখিবা চহীদা ইরানগী য়াম্না মরু ওইরিবা কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী ৱিথদ্রো তৌবগা লোয়ননা ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামদা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্বা য়ানবা টেহরানগা ন্যুক্লিয়র ৱারী মখা চথনবা দিমান্দ তৌখিবনি।
ইরান্না য়ু এসকী দিমান্দশিং অদু রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ইরানগী শেল-থুমগী থবক থৌওংশিংদা অনৌবা অথিংবা কয়া থমদুনা ইরানবু থাউ থাদোকপগী থবকনচিংবশিং পাঙথোকপা য়াহন্দনবা হোৎনখিবনি।

TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
Ticket Rate: Rs. 650/-
TIME: 5:30 PM
IN AID OF
The Sun Club, Mongsangei
Regd. No. 636 of 1965
1st Houseful: Rs. 80,000/-
2nd Houseful: Rs. 60,000/-
3rd Houseful: Rs. 50,000/-
2 Ticket Q-10 Rs. 10,000/-
MINI BUMPER
Ticket Rate: Rs.300/-
1st Houseful:
2nd Houseful:
LAST MINI
Ticket Rate: Rs.100/-
Houseful: Rs. 13,000/-
2 Ticket Q-10 Rs. 2000/-
DATE : 16 OCTOBER 2019
VENUE: MONGSANGEI SUN CLUB GROUND NEAR CRPF CAMP
HL-P/3866/16